ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯰꯳, ꯲꯰꯱꯶, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯸꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, ওক্টোবর ০৩, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ১৮৩ শুবা মশীং

# মহৈরোয়শিংগী মীখল

## *লাইরিক তম্বদগী মীখলনা হেন্না থৱায় য়াওহন্নিংদে*

***মণিপুরখক্তা*** নত্তনা ইন্দিয়া পুম্বগী ওইনা মহৈরোয়শিংগী মীখল হায়বসি শেল য়াম্না চঙই অমসুং ঈরাং য়াম্না থোক্কল্লি। দিল্লি য়ুনিভর্সিটিগী ওইনা অতৈ মাঙজিল থাই হায়না লৌনরিবা ষ্টেটশিংগী মহৈশঙশিংদা পাঙথোকপা মীখলশিংদা মরু ওইনা লম্বা তৌনরিবসি পোলিটিকেল পার্টিদা বেজ তৌবা মহৈরোয় লূপশিংনি। কোংগ্রেস পার্টিগীনা নেসনেল ষ্টুডেন্টস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া (এন এস য়ু আই), ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গীনা অখিল ভারতিয়া বিদ্যার্থি পরিষদ (এ বি ভি পি), কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়াগীনা ওল ইন্দিয়া ষ্টুডেন্টস ফেদরেসন (এ আই এস এফ) অমসুং আম আদ্মী পার্টি (এ এ পি) গী ছাত্র যুব সঙ্ঘর্শ সমিটি (সী ৱাই এস এস) নচিংবগী মীহুৎশিং থাগৎলি। মরু ওইদা দিল্লি য়ুনিভর্সিটিদদি মীখল অসিদা লুপা ক্রোর কয়া চাদিং তৌই হায়না পান্নে। মতৌ অসুম্না অতৈ ষ্টেটশিংদসু পোলিটিকেল পার্টিশিংনা শেম্বা ষ্টুডেন্টস ৱিংনা মহৈরোয়শিংগী মীখলদা শরুক য়াই। অদুগা মণিপুরদদি মওং-মতৌ অসিদগী খরমখৈ নাথৈরগা চৎলি। মীখলগী মতমদা ফোংনা মহাক্কা এমসুগী মীরেপনি, মানা দেসামগীনি, এম এস এফকীনি, সুককীনি, কে এস এগীনি হায়বনচিংবা ফাওবা মকা লাম্না ফোঙদোক্নদে। মীখলদা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মখোয়গী ওইবা মহৈরোয় থাদোকপগী পান্দমগা মণিপুরদা মহৈরোয় লূপশিংনা মখোয়গী মীহুৎশিং মীরেপ ওইননবা থাদোকপগা করিসু খেন্নবা লৈতে হায়না লৌবা য়াই। পোলিটিকেল পার্টিগী মিংদা মীখল থেংনরিবশিংনা লৈবাক্কী অচৌ-অচৌবা ইস্যুশিংদা পার্টি অদুনা চঙশিনবা খোঙজংদা অচৌবা থৌদাং লৌহন্ননবনি। অদুগা মণিপুরদা তৌরিবা মওং মতৌ অসিনা সোসল ইস্যুশিং য়াওনা মখোয়গী পেরেন্ট বোদি ওইরিবা মহৈরোয় লূপশিংনা চঙশিল্লকপা খোঙজং নৎত্রগা মখোয়গী পান্দমগী মখাদা করিগুম্বা অমা ফংননবা তাল্লকপদা অপুনবা ফোর্স অমা শাগৎননবনি।

মহৈরোয় হায়বসি চহী নৌরিবা, খজিক্তং হেক তৌবদা ৱারৌগনবা, মপুক্লিং নুংশিগনবা অমসুং শিনি-নানি খঙদনা থবক তৌবা কাঙবুনি। মখোয়বু নিংথিজনা ৱাখল্লোন অমদা পুশিল্লগা খুন্নাই অসিগী অফবা থবক্তা শীজিন্নরবদি থবকশিং অদু মায় পাক্তনিংঙাই লৈরোই। মখোয়না চঙশিনবা খোঙজং অয়াম্বা মুক্নবদা কিদবা ওইবা মরম্না ঈরাং থোকহন্দনবা হোৎনবদা পুলিসনা অৱাবা কয়া মায়োক্নে। ফারুরে, চহী শুদে হায়রকপা, ফুরুরে মহৈরোয়দা ফুই হায়না চৈনরকপা কয়া অসিনা মখোয়বু লোগী মতুং ইন্না চপ চানা থেংনবা হায়বসি য়ারক্তবা মতাং থোকই। মণিপুরদা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা চঙশিনবা ঈহৌ অয়াম্বা মহৈরোয়শিং শরুক য়াই। মহৈরোয়শিংনা পুকচেল খোয়জেল তিন্ননা চপ চানা খোঙজং অদুদা শরুক য়ারল্লবদি লৈঙাকসু খাঙবদা য়াম্না ৱাই অমসুং মখোয়না তাল্লিবা দিমান্দ অদু পীদবা ঙমদে। মরম ময়াম অসি য়েংলুরগা মহৈরোয়শিংগী মীখল হায়বসি কনাগুম্বা খরদদি য়াম্না লুম্না লৌই। মরম অদুনা কোলেজ নৎত্রগা হায়র সেকেন্দরী স্কুলশিংগী মীখলশিংদা মখোয় মখোয়গী মীরেপ থাদোক্লগা মায় পাকহন্ননবা অয়ৌবী থাক্তা হোৎনৈ। পাঙ্গল মান্নবা মশেল মীখলদা থেংনরকপা অমসুং মখোয় মখোয়গী মীহুৎনা কাদবা য়াদে হায়বগী শাফু পীশিন্নরকপনা ফুনা-চৈনবা, পামদবা থৌদোক কয়া থোরকই। মসি কমদৌনা থিংগদগে হায়বসি অরুবা অমনি। সী সী হায়র সেকেন্দরী স্কুল য়াওনা হায়র সেকেন্দরী স্কুল খরখক্কী ওইবা মীখল পাঙথোকখ্রে। মীখল অদুদা তোঙান-তোঙানবা ফমশিংগী মীরেপশিং থাদোক্লখি। মীখল অদুদা মখোয় মখোয়গী মীরেপশিং মায় পাকহন্নবগীদমক মপাঙ্গল ফূদোক্লরকপদা ফুনা-চৈনবগী থৌদোক থোকখিবগী পাউসু লৈখ্রে। মরু ওইনা সী সী হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী মহৈরোয়শিংগী মীখল মতুংদা মতৌ কমদৌনা মহৈশঙ অসিগী মহৈরোয়শিংনা শীজিন্নবা স্কুটর অহুম কৈশাম্পাৎতা মৈ থাখিবনো হায়বসিনি। থৌদোক অসিসু মীখলগা মরী লৈনবা ঈরাংনি। অদুগুম্বা মখলগী ঈরাংশিং মতুং তারকপদা থোক্তনবগী মরু ওইবা থৌদাংদি মীখলদগী লাইরিক-লাইশু তম্বদনা হেন্না পুক্লিং চঙশিনবনা ওইগনি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি মহৈরোয়শিংনা মহৈ-মশিন তম্বগা মরী লৈনবা কাঙলোন্দা মপুং ফাননবা মহৈরোয় লুচিংবশিং খনবা চুমগনি। তঙাই ফদনা লৈবাক্কী ওইবা ইস্যুশিংদা শরুক য়াবদা নাকপাক-নাকপাক তানবা চুম্লোই। এমসু, দেসাম মহৈরোয় লূপশিংনি। খাইবুং তানবগী মহুত্তা পুন্না চৎমিন্নবা চুমগনি।

## *••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••*

# হৌজিক ফাওবা ফুদ সিক্যুরিটি এক্টকী কার্দ শাবা লোইবা ঙমদ্রিবা করিগীনো?

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**ইন্দিয়া** পুম্বগী ওইনা ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট হৌখিবা এপ্রিলদগী চৎনবা হৌখ্রে। মসিগী মতুং ইন্না অতোপ্পা ষ্টেটতা অহোংবা মমলদা চেঙ ফংহনবা ঙমখ্রে। কয়াদা হরাউরমগবা, কয়াদা নুঙাইরমগবা। ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীচম মীয়াম অয়াম্বা লায়রবা ঙাক্তনি। মসিনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না মীচম মীয়ামদা অহোংবা মমলদা চেঙ ফংহন্দুনা নুঙাইনা লৈনবা শীল্লক্লিবা খোঙথাং অমা নৎত্রা? অসুক ফজখ্রবা প্লান অমবু মণিপুর য়ৌবদা লাইগুম্না স্বাই লাউনা হেক হেক মাঙহল্লিবা অসিবু করিগীনো? মীচম মীয়ামশিং করি চাদুনা হিংবা য়াবগে? মীওইবগী পুন্সিদি চাবা-থকপা য়াওদনা হিংবা ঙমদে। হিংবা ঙম্নবা পীরক্লিবা লায়রবা মীচম মীয়ামগী চেঙ, চিনি, হৱাইবু অকল-অথৌ, মন্ত্রি-মন্দল খরনা লৌতুনরগা থৈদোকপা, লৌশিনবা, মাঙহনবা তৌরিবসিবু করিগীনো? নখোয়দি থাগী তলব মরাং কায়না ফংই অদুগা লৌমীশিংদি অয়াম্বনা শুরগা চাজবনি। মরম অদুনা লায়রবগী চাকথুং মৎপীগনু। হক হায়বসি পোকপদগী য়াওজরল্লবনি। মসি খঙনা অচুম্বা অশেংবা তৌবনা নখোয়গী মীংচৎ হেন্না লৈরোইদ্রা? ফত্তবা মীংচৎ থল্লমগদবগী শরুকপুদি অফবা অশেংবা মীংচৎ থল্লম্বনা ফরোইদ্রা? মহম্মদ বিন তোগলোক্কুম ঙাইহাক্কী অপাম্বা অনীংবদা তৌরবিদি কদাইদগী অফবা খুন্নাই অমা পুরকপা ঙমগদৌরিবনো? ঙসিগী মীরোলনা হয়েংগী তুংগী মীরোলগী য়াইফনবা শেল্লম্বা হায়বসি হৌনশানি। পীরক্লিবা চেঙ, হৱাইশিংদু য়েম্থোকপগী মহুত্তা লোৎশিন্দুনা থম্নবা কয়াসু য়াওনরি। মখোয়গী মথক্তা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎকদবনি। কেন্দ্র ৬০, এম এল এ ৬০, জিলা পরিষদ, প্রধানশিং, মেম্বরশিং অমদি কাউন্সিল্লরশিং কৈদৌনা লৈরিবনো? মখোয়সি মীচম মীয়াম্না মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা চহী ৫/৫ গীদমক্তা খনখিবনি। ইলেক্তেদ মীয়ামসিনা পুকচেল শেংনা, কাঙলোন চুম্না হোৎনরবদা লায়রবা অমত্তা থিবা ফংলোই, চহী মঙাসিদা। পূম্নমক লিংজেল মান্নবা চঙই। মদুদি নত্তনা ঐনা ফম পায়রিঙৈসিদা ঐগী ইমুং-মনুংগী, মরী-মতাগীদমক্তা হোৎনরমদবা য়াদে হায়বগী অপীকপা ৱাখলসি থাদোকসি। শেমগৎপদা মতম চঙবনি, মাঙহনবদি কুইদবনি হায়বসি কাউদবা ফৈ।

ফুদ সিক্যুরিটিদা থিকা তৌরোইসি। লৈত-লায়রশিংগীদমক্তা থাদরকপা পোৎলমশিং মফম চানা শীজিন্নদুনা ফংফম থোকপশিং ফংহনবীয়ু। ফুদ সিক্যুরিটিগী চেঙ য়েনবদা ভোটর কার্দতা য়েল্লি। কার্দ শাবসিবু চহী অমা চঙনব্রা? এ এ ৱাই, বি পি এল, এ পি এলগী কার্দ শাবদা কাঙলোন চুম্না শাবিয়ু। চহী ৬৫ শুরবা অহলশিংনা ওল্ড এজ পেন্সন ফংগদবদু চহী ৩০/৪০ দা লৈবা মীওইনা পেন্সন ফংবা লমনি। তায়োন্নরে তাইবঙপাল। হুইনা খোঙদ্রগা গধানা খোঙবা য়ারোই। মীচম মীয়ামদি অশেংবা অচুম্বা তৌহন্নিংবদগী হায়জবনি। ইলেক্সন কার্দকী মহুৎতা ফুদ সিক্যুরিটিগী কার্দ অথুবা মতমদা শাবা লোইবিদুনা মীপুম খুদিংদা ফুদ সিক্যুরিটিগী চেঙ ফংহনবীয়ু।

*অদোমগী - থোকচোম থম্বালঅঙৌ সিংহ*
*খাঙবোক ময়ায় লৈকায়*

# *লৌমীশিংগী কাখল*

# মণিপুরদা তিলহৌগী পোত্থোক

ডা: এম থোইথোই সিংহ

**ইন্দিয়া** অসি তিলহৌ মরু পুথোকপদা মালেমগী অনীশুবা ওইরি। অদুবু তিলহৌগীদমক শীজিন্নরিবা লমদি ইন্দিয়ানা ইচাও চাওই। ইন্দিয়াগী মনুংদা মরুওইনা তিলহৌ পুথোক্লিবা ষ্টেটশিংদি মহারাষ্ট্রা, কর্ণাটাকা, ওরিষ্যা, টামিল নাড়ু, উত্তর প্রদেশ, অন্ধ্র প্রদেশ, বিহার, গুজরাট অমসুং রাজস্থাননি। অদুবু ইন্দিয়াদা তিলহৌ থানরিবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা মহারাষ্ট্রনা মাঙজিন থারি। অপূনবা তিলহৌ থানরিবা লমগী চাদা ১৯ দি মহারাষ্ট্রদা লৈ। মসিনা ইন্দিয়াগী অপূনবা পোত্থোক্কী চাদা ২৩.১৩ পুথোক্লিবনি।

মণিপুরদসু তিলহৌ থাবগী চাং খরমখৈ হেনগৎচরবসু খুমাং চাউশিন্দবগী মরম খরদং মখাগী অসুম্না নৈনবা য়াই-

**১) মরু হুনবদা হৌবগী চাং নেম্বা।**

**২) চারা হুনফম অমসুং লিংথোক্লবা ফৈদোমশিংদা হৌরকপা নাপীশিং শেন্নবা ৱাবা।**

**৩) মতম চাদনা মপাল ঙন্না শাবগী চাং ৱাংবা।**

**৪) লোক্লবা মতুংদা মতোন থোকপা। কুইনা থম্বা য়াদবা।**

**৫) লায়না তীলনা তাবগী চাং ৱাংবা মরুওইনা পর্পল ব্লোটচ, বেসেল রোট অমসুং থ্রিপস।**

মরমশিং অসিদা নত্তনা অতৈ খুদোংচাদবা কয়াবুসু খঙদোক্তুনা নিয়ম চুমহল্লবদি তিলহৌ থানিংবা মীওইশিংগী মীশিং হেনগৎলক্কনি। পোত্থোক হেনগৎহনবা ঙমগনি।

**১) মরু হুনবদা হৌবগী চাং নেম্বা ঃ** হুন্নবা তিলহৌ মরুশিং কুইনা থম্বা য়াদে। মখোয়গী হিংবগী মতম তেল্লি। ঐখোয়না মথং চহী থানবনি হায়দুনা লোক্লবা মরুশিং লোক্লগা থম্বদা চহী অমদগী হেন্না থল্লবদি হৌগন্দে। দুকান্দগী লৈবা ওইরবসু মতম হেল্লবা মরু শীজিন্নরোই। মরম অসিনা তিলহৌ থাবদা মায় পাক্তবগী মরম অসি ময়োন চোংবগী চাং নেম্বা অমসুং শাহৌ থীনবা তিলহৌ মখলশিং শীজিন্নবদগীসু ওইবা য়াই।

**ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ ঃ** (ক) মরুশিংবু য়ারিবমখৈ অহিংবা মফমদা থম্বীগনি (খ) মরু লৈবদা মশা ফরিবা, খাউদা হাল্লকপা কুইদ্রিবা মরুদমক লৈগনি (গ) মতম হেল্লবা মরু শীজিন্নরোই (ঘ) মরু হুন্দ্রিঙৈদা মরুশিংদু ঈশিংদা পুং ২ দগী ৬ ফাওবা তিংহৌগনি।

**২) চারা হুনফম অমসুং লিংথোক্লবা ফৈদোমশিংগী নাপী ঃ** তিলহৌ চনম পাম্বীশিং কুংনা থাবা অমসুং মরা থেন্না তাবা মরম্না খূৎনা নৎত্রগা খূৎলায়না পেঙবা খুদোংচাদে। নাপী ফুকপদা পাম্বীশিং য়াওনা ফুল্লকপা য়াওই। মফম পীকপা মফমগী ওইরবদি খূৎনা পেঙথোক্কনি। অচৌবা মফমগী ওইরগদি নাপী হীদাক শীজিন্নবা য়াই। মসিগীদমক Oxyfluorfen 23.5EC ওইনা শীজিন্নবা য়াই। মফম খেন্নবগী মতুং ইন্না শঙম অমা চাওবা লৌফমদা হীদাকসি মিলি ২০০-২৫০ ফাওবা চঙই।



**৩) মতম চাদনা ঙন্না মপান শাবা ঃ** তিলহৌগী পোত্থোক য়াম্না হন্থবগী অচৌবা মরম অমনা মতম চাদনা ঙন্না মপাল শাবসিনি। ঙন্না মপাল শাবনা তিলহৌ মরুনা চাওফম থোকপা চাং য়ৌনা চাওবা ঙমদে। ঙন্না মপাল শাবগী মরমশিংদি - (ক) থেংনা চারাশিং লিংথোকপনা ঙন্না মপাল শাবগী মরম অমা ওইহল্লি। ডিসেম্বরগী অথেংবা শরুক অমসুং জানুৱারীদা লিংথোকপসিনা তিহৌনা মপূং ফাদ্রিঙৈদা অহিং অশাগী চাং অসি সেলসিয়স দিগ্রি ২০ দগী ২৫ ফাওবা শাগৎলকপনা, মপাল থিনগৎলক্লবগী মরম ওইহল্লি। (খ) মনাগী শাহৌ থিনবা অসিসু মপাল ঙন্না থিনগৎলক্লবা মরম অমনি। (গ) অঙৌবা মখলগী তিলহৌ ওইরবসু মপাল ঙন্না শাৎকল্লি। (ঘ) চয়োল ১০ গী মথক্তা লৈবা চারাশিং হায়বদি অরিবা চারাশিং লিংথোকপসিসু মপাল ঙন্না লাক্লবগী অচৌবা মরম অমনি। (ঙ) নাইট্রোজেন ৱাৎপা লৌফমদসু তিলহৌশিংনা মপূং ফাবা ঙমদনা মপাল ঙন্না শাৎলি।

**ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ ঃ** (ক) মরু তাবা মতমসি য়াম্নসু ইংদবা য়াম্নসু শাদবা সেলসিয়স ডিগ্রী ১২ গী মথক অমসুং সেলসিয়স ডিগ্রী ২০ গী মখাদা লৈবা মতমদা তান্নবা মরু হুনবগী মতম শেমদোক শেমজিন তৌবীগনি। (খ) মপাল ঙন্না শাৎকন্দবা তিলহৌ মখলশিং থানবা হোৎনবীগনি। খুদম ওইনা Prema (কালেন থাদসু থাবা য়াবা) Early grano, Texas early grano মমিং পনবা য়াই। (গ) চারাশিং চয়োল ৬ তগীনা ৭ ফাওবগী মনুংদা লৈরিঙৈদা লিংথোক্লবা হোৎনবীগনি। (ঘ) চপ চাবা নাইট্রোজেনগী চাংদগী হেন্দনবা অমসুং তাদনা হাপ্পবা হোৎনগনি। তিলহৌ মখল খেন্নবগী মতুং ইন্না পরিদা নাইট্রোজেন কিলোগ্রাম ৮০ দগী ১২৫ ফাওবগী মনুংদা হাপ্পবা হোৎনগনি। (ঙ) মতম চাদনা থিনগৎলক্লিবা মপালশিং ঙল্লিঙৈদা ককথৎহৌগনি নৎত্রগা শৎকৎহৌগনি।

**৪) লোক্লবা মতুংদা মতোন থোকপা ঃ** তিলহৌ মরু তাম্থোক্লবা মতুং ইকুই কুইদ্রিঙৈদা ময়োন থোক্লকপনা মরম ওইদুনা থাজরিবা মীওইদুনা ফংফম থোকপা শেলগী চাংদগী হন্থনা ফংনৈ। মতোন চোংবগী থৌদৌ অসিসু অঙৌবা মখলগী তিলহৌশিংদনা অঙাংবা মখলদগী হেন্না তৌগল্লি। খাওরমদাইদা লৈবাক্তা ঈনিল ৱাংবা অমসুং নাইট্রোজেন ৱাংবনা তিলহৌ মতোন থোকপগী অচৌবা মরম অমনি।

**ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ ঃ** (ক) তিলহৌ মরু তাম্থোকপগী মতম অসি অকংবা মতম হায়বদি নোং তাদবা মতমদা থোক্লবগীদমক খরা ঙন্না হুন্নবা হোৎনগনি। (খ) তানগদৌরিবা তিলহৌ হায়বদি মপূং ফারল্লবা তিলহৌশিংদা ঈশিং পীবগী থবকসি নুমিৎ ২০ গী মমাঙদা লেপকনি। (গ) নাইট্রোজেনগী চাং খরা হন্থনা হাপ্পা ফৈ। (ঘ) অঙাঙবা মখলগী তিলহৌদি মতম নত্তনা মতোন থোকপগী চাং য়াম্না হন্থৈ।

**৫) লায়না তীলনা ঙাকথোকপা ঃ** তারিবা লায়না তীলনাশিং মশক মুন্না খঙদোক্লবা হোৎনগনি। অখঙ অহৈদা হংলগা চপ চাবা হীদাক কাপথোকপদা নত্তনা লায়না তীলনা তাদনবা মখল কয়াগী কাঙলোনশিংসু শীজিন্নগনি।

# ফৌ লোকপা অমসুং কোট্রা ফৌ লীবা

এস সুমঙ্গোল সিংহ

**কুমসি** কুম ফবা হায়গদ্রা ফত্তবা হায়গদ্রা মমাঙ চহীদগীদি য়াম্না হেন্না ফৈ হায়না খল্লি। মরক্তা ঈশিং ঈচাও খরা থেংনখ্রবসু মতুংদদি, হৌজিক ফাওবা অশোয় অঙাম অমত্তা য়াওদ্রে হায়বা তাই। অসুম্না হৌজিক্তি ফৌ লোকপা য়াবা মতম য়ৌশিল্লক্কদৌরে। চাংচৎ ওইনা ফৌ য়াম্না নীংথিনা লোক্কনি হায়বগী থাজবসু থমসি। অদুবু ফৌ ফনা নিংথিনা ফরবসু নিয়ম চুম্না লোক্তবা লোয়ননা থমদ্রবদি/লীদ্রবদি, অসুক ৱানা লোক্লবা ফৌ অদু ফনা নিংথিনসু মাঙখিবা য়াবগী খুদোংথিবা লৈ হায়বসি মীয়াম্না কাউবিদবা ফৈ হায়জনীংই। মরম অদুনা ফৌ লোকপদগী হৌদুনা মতম খরা শাংনা লীবদা অমাং অতা থোক্তনবা ৱাফম খরা খঙমিন্ননবা তাঞ্জা লৌজরি।

**ফৌ লোকপা ঃ** ফৌ খাওবগী খ্বাইদগী ফবা মতমদি পাম্বীশিংগী চরোংদা অদুগা পাল্লিবা মরুশিং অদুগী চাদা মরিফুমঙানা মুল্লবা হায়বদি চরু মচু ওল্লবা অদুগা চরোংগী মখোক থংবা শরুক্তা পাল্লিবা মরুশিংনা শংতক তৌরিঙৈ মতমদা ওইগনি। চরোংগী মখোক্তা পাল্লিবা মরু খুদিংমক মুনবা ঙাইরবদি চরোংগী মতোন থংবা শরুক্তা পানবা মরুশিং কেন্দুনা মাঙখিবনা হেনগনি। অমরোমদা অমুকসু খঙজিনবা য়াবা ৱাফম অমনা চরোংগী মখোকথংবা শরুক্তা পাল্লিবা মরুশিং খরা শংজরবসু মেৎতুনা য়েংবদা মখোম থোক্ত্রবদি খাওবা য়ারে হায়বসিনি। মরমদি খাওরবা ফৌ পাম্বীশিং হিংলিবনি লোয়ননা পাল্লিবা মরুশিং অদুসু হিংলিবনি লোয়ননা অয়াম্বা মরুশিং অদু মমাগা/খাওদৎলবা, হিংলিবা পাম্বীগা খাইনদ্রি। খাওরগা লৌফমদা পামহৌরিঙৈ (খাওদোল্লবা ফৌ পাম্বীশিং লৌবুক্তা ফৌবা) মতমদা ফৌখোক্তা য়াওরম্বা মচিঞ্জাকশিং অদু মরুদা চুপখৎলকপা ঙম্মী লোয়ননা শংলম্বা মরুশিং মপূং ফাবা ঙম্মী। মরম অসিনা য়ামদ্রবদা নুমিৎ হুমনি মরিনিদি পামহৌসি।

**ফৌ লীবদা মাঙবগী মওং ঃ** তশেংনা হায়রবদা চহী অমদা কোট্রা লীদুনা থম্বা ফৌ চেঙদা লায়না তীলনা কয়া অমনা মাঙহনবগী চাং অসি য়াম্না ৱাংই। ১০০ গী মনুংদা ১৫ দগী ২০ ফাওবা য়াওই। হায়বদি ফৌবোট ১০০ লীবদা ফৌবোট ১৫-২০ মাঙবা য়াই হায়বনি। হায়রিবা মাঙবগী চাং অসি কনানসু থৌশাদবগুম তৌই। মরমদি মাঙলিবা শরুক অদু তশেংনা ওন্দুনা য়েংদবা, ফৌজুম্না চাদনা কয়া য়াম্নবু মাঙগদগে হায়দুনা থৌশাদবা অসিনচিংবা কয়াদগীনি হায়বা য়াই। অয়াম্বনা অসুক য়াম্না মাঙলমগনি হায়বসি থাজদে।

মতাং অসিদা খঙজিনবা য়াবা ৱাফম অমনা অমুক, লায়না তীলনানা মাঙহনবদগী উচিনা মাঙহনবনা অমুকসু শরুক কয়া অমা হেল্লি হায়বসিনি। নোংমদা উচি অমনা ফৌ নৎত্রগা অতৈ মরু মরাং কিলো ৬ তুপথোক্তুনা চাথোকপা ঙম্মী।

কোট্রা লীদুনা থম্বা ফৌ মাঙই হায়বগী ময়েক লারবা খুদমদি - কোট্রা পৈরিবা ফৌগী ময়েং তারকপা, কোট্রগী ফৌদিগী ওইনা পেক্তুনা য়েংবা মতমদা অয়াম্বনা ফৌহাম ওইরম্বা, কোট্রা লীবা ফৌ মিলদা তকপদা চেঙ তোইবা, চেঙগী মচু ওনবা, খোকনম নম্বা অমদি হান্না নৌরিঙৈ মতমদা থোক্লম্বা চেঙথোক্তগী চেঙথোক হন্থরকপা অসিনচিংবা অসিনি হায়বা তাই। মণিপুরগী ওইনা হায়রবদা অপূনবা লোক্লিবা ফৌগী চাদা ১৫-২০ মাঙখ্রবদি কয়াদা মাঙজবনো? ফৌ চেঙ মাঙবতা নত্তনা হকচাং মাঙনিংঙাই ওইবা কয়া অমসু অমুক লৈরিবনি। মসিগী খুদম অমা হায়বা তারগদি মচু ওল্লবা হায়বদি নাপু নৎত্রগা ঙাঙলৈনবা মচু ওল্লবা চেঙদা carcinogenic হায়বদি কেন্সর ওইরক্লবা মচাক য়াওই হায়বা অমসু লৈ হায়বসিনি। মরমশিং অসি লৈবনা করম্না কোট্রা ফৌ লীগদগে হায়বগী মরমদা চেকশিন ৱা খরা খঙজিনবা কান্নগনি খল্লি।

**করম্না লায়না তীলনা চঙলকই ঃ** করম্না কোট্রা পৈরিবা ফৌশিংদা লায়না তীলনা থোক্লিবনো হায়বদু খরা খঙজিনবা কান্নগনি খল্লি।

১) ফৌদা নৎত্রগা অতৈ মরু মরাং আলু, হৱাই, চেঙৱাই কয়া অসিনা লৌবুক্তা লৈরিঙৈ মতমদগী তীলশিংগী মরুম অমদি তীল য়াওরবা মহুমশিং য়াওরক্তুনা লীরবা মতমদা অমাং অতা কয়া থোকহল্লি।

২) মহৈ মরোংশিং লোকপদা শীজিন্নবা খূৎশু খূৎলায় অমদি বোরানচিংবদা পল্লকপা লায়না তীলনাদগী শন্দোরকপা।

৩) মমাঙ চহীদগী হান্না কোট্রা লৈরম্বা লায়না তীলনাগী মরুম অমদি মচানচিংবদগী শন্দোরকপা অমসুং (৪) লীরবা মতুংদা অকোয়বদা লৈরম্বা তীল মপী, কোকফাই শুজাগী মরুদগী শন্দোরকপা অসিনি হায়বা য়াই।

লায়না তীলনা শন্দোরকপগী মরমশিং অসি খঙলবদি করম্না চেকশিন থৌরাংশিং পায়খৎকনি হায়বদু খরা মখৈদি খঙবা য়ারে।

**কোট শাবা ঃ** কোট্রা লীবা মতমদা চেকশিন থৌরাং খরা মওং চুম্না হোৎনহৌরবদি অমাং অতা থোক্কদবা কয়া অমদগী কনবা ঙমগনি। কোট অসি যূমদগী লাপথোক্না, নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না ফংবা মফমদা, মখোঙগী শরুক্না লৈমায়দগী য়ামদ্রবদা ফুট মরিমুক ৱাংবা ওইহল্লগা শাবনা খ্বাইদগী ফৈ হায়জনীংই। কোটকী থোঙ-থোঙনাও নিংথিনা পানগনি। য়ারিবমখৈ যূম মনুংদা কোট শাদবনা ফৈ। অহাঙবা লম য়েংদুনা উ-ৱাগা শম্নদবা হায়বদি উ-ৱাগী মনা অমদি মশা মরেংনা লাম্বা ফংলোইদবা মফমদা কোট শারবদি খ্বাইদগী ফরে। কোটতা কাথোক কাশিন তৌননবা কৈরাক নৎত্রগা শিড়ী অদু থাংদোক থাংজিন য়াবা মওংদা শাবীগনি। কোটকী মখোঙশিং অদু উচি কাবা ঙমদনবা করিগুম্বা পোৎলম, খুদম ওইনা এলুমিনিয়ম মপাক্তুম্বা অমনা মখাদা ওন্থবা মওংদা শারে শানা কোইশিল্লবদি উচিনা কাবা ঙল্লোই। নৎত্রগা কোটকী ফম্পাক অদু ইকোয় কোয়না ইঞ্চি ১৪-১৫ মখোঙ/ফকলাং মপাদগী হেন্দোকহল্লবসু য়াই।



*A GOOD RIPE PADDY CROP*

**চেকশিনৱা খরা ঃ** ফৌ হাপতোক হাপচিন তৌগদবা বোরাশিং অহনবা (অনৌবা) ওইনা শীজিন্নবা নৎত্রগা Malthion হায়রিবা হীদাক অসিগী চাদা ৫০ মপাঙ্গন লৈবা মহি ওইনা লাকপদু খল্লগা মিলি ২৫ ঈশিং লিটর ৫ গী চাংদা য়াল্লগা বোরাশিং অদু মিনিট ১০ লুপ্পগা কঙহল্লবা মতুংদা শীজিন্নবা ফৈ। কোটকী ফকলাংশিং অমোৎ অকায়, ফত্ত হৌদি শেংনা শেংদোক্লবা অমদি অহো অরাক খুদিংমক মেল্লবা মতুংদা ষষ্থি লৈঙোইনা ৱাই নিংথিনা তৈথোকপা কান্নগনি। কোটকী মনুং মপান অনীমক শুনু হায়দোকপা য়াম্না ফৈ। কোটকী মনুং অমদি অকোয়বদা malthion 50% নৎত্রগা dichlorvos 76% wsc মিলি ২৫ ঈশিং লিটর ৫ গী চাংদা য়াল্লগা কাপথোকপীগনি। কোট্রা ফৌ হৈজিল্লমদাইদা কংনা ফৌবা হায়বসিসু য়াম্না মরু ওই। য়াম্না কংলবা ফৌদা লায়না তীলনা চেনবা পাক ঙমদে। হান্না লৈরম্বা অরিবা ফৌশিং শেংনা লৌথোক্তুনা তোঙান্না থম্বীগনি। কৈদৌনুংদা অরিবা অনৌবা য়ানশিন্নরোইদবনি। ফৌ হৈবা মতমদা উরুমদা নিংথিনা কংহল্লবা নোংবাল্লে মনা খরা খরা মরোল নাইনা চাইথোক্লগা ফৌ মরোল মরোল হৈজিনবা কান্নগনি। করিগুম্বদা কোট্রা লীখ্রবা মতুংদা ফৌজুম লৈবগী খুদম ফংলবদি ফৌশিংদু বোরানা শিন্থুংনা কুপশিল্লগা কোটকী ফক্লাং অমদি বোরা মথক্তা মনিন ওইনা চৎপা পম্প শীজিন্নদুনা dichlorvos মথক্তা পনজখিবা চাংদা কাপথোকপা ফৈ। হায়রিবা থৌওং অসি অনীরক অহুম্লক পাঙথোকপা য়াই। মসি ফৌজুম মপী খরা হেক উরকপগা পাঙথোকপীগনি। অতোপ্পা শীজিন্নবা য়াবা খরগা পঞ্জবা তারগদি উরিকসিবি মনা, নীম মনা, শৈজরাক মনা, খোইজু লৈখাম, হৈখাগোক মনা, তুলসি মনা অসিনচিংবা পনবা য়াই।

**ফৌদিগীদমক লীবা ঃ** মথক্কী ৱাফমশিং অসি চাননবা কোট্রা লীবগী ৱাফমনি। ফৌদিগীদমক ফৌ লীববা তারগদি ফৌশিং অদু নিংথিনা খপতোক্তুনা নাপী মরু, ফৌহাম অমদি অতৈ অমোৎ অকায়শিং শেংদোক্লবা মতুংদা তোঙান্না অনৌবা বোরা নত্রগা প্লাষ্টিক খাও শীজিন্নদুনা থম্বীগনি। মসিদদি রসায়নগী তীল হীদাক malathion 50% wp powder নৎত্রগা fenvelerate 0.4% dp অমসুং লায়নাগী হীদাক carbendazimগা mancojeb কা পূন্না য়াল্লগা শেল্লকপা হীদাক নৎত্রগা carbendazim 50% wp হায়রিবা তীলনা অমদি লায়নাগী হীদাকশিং অসি গ্রাম ২৫০-২৫০ পূন্না ফৌ কিলো ১০০ গী চাংদা নিংথিনা চাং মান্ননা তোৎশিন্নরগা থল্লবদি লায়না তীলনা চঙবা ঙল্লোই।

মথক্তা থমজরিবা ৱাফম খরা অসি নিংথিনা পাঙথোক্লবদি কোট্রা লীদুনা থল্লিবা ফৌশিং মাঙই খঙদনা মাঙলিবশিং অসিদগী ফনা য়াম্না কন্দুনা মীয়ামগী কান্নবা ওইগনি খল্লি।